# এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মকোক থোংবা মহৈরোয়শিংদা ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কাঙবম লৈকাইগী বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (বোসেম) না লৌবা ২০১৭ গী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা লেট্টর মার্ক ফঙদুনা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকপা মহৈরোয়শিংবু ওকপগা লোয়ননা শেলগী মনা অমসুং সর্টিফিকেট পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম ঙসি কাঙবম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা প্রসিদেন্ট, কেএসঐচ মেমচৌবী প্রিন্সিপাল এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ঐচরাজেন রিটায়র্ড প্রিন্সিপাল, ডা. এন জিতেন অমসুং সীঐচপীশক রিটায়র্ড প্রোফেসরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখিবগা লোয়ননা এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে থিরেন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর কে ইমোনা হায়খি, সগোলবন্দ এ সীগী মনুংদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল ওইগেরা নৎত্রগা গভর্নমেন্টকী স্কুল ওইগেরা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমনি। ঙসি কাঙবম লৈকাইগী এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেট্টর মার্ক ফঙলকপা অমদি ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকপা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকপা অসি য়াম্না নুংঙাই। মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবা হোৎনবনি। মীয়াম্না পাম্বসু মহৈরোয়শিংনা মায় পাকপা হায়বসিনি।

ওজাশিং অমদি পেরেন্টশিংনা কন্না হোৎনরিবসিসু মহৈরোয়শিংনা মায় পাকপা ঙম্বা অদুনি। মহৈরোয় হায়বসি তুংগী যুম্বীরেল ওইগদৌরিবনি। মখোয়না পাল্লিবা লম্বী অদুদা মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙম্নবা পুক্নিং থৌগৎকদবনি। ফাউন্দেসন হায়বসি লৈতবা য়াদবগুম তুংগী ফাউন্দেসন ওইবা যুম্বী অসি মহৈরোয়শিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী নোংজুদা ঈচাও থোক্তুনা ৱাহেংবম লৈকাই, কৈশামপাৎ, কাঙবম লৈকাই, সগোলবন্দনচিংবগী লম্বীশিংগী ফিভম য়াম্না শোকচিনখিবসি অথুবা মতমদা দব্লিউ বি এম হান্না তৌদুনা ব্লেক টৌপিং তৌনবা হোৎনগনি। মতম খরা খাঙমিন্নসি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এস দি জে এম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কেএসঐচ মেমচৌবীনা হায়খি, স্কুল অসিগী মার্ক ৱাঙনা ফঙলকপা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকপা অসি খ্বায়দগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। স্কুল অসিনা চহী খুদিংগী মশীং য়াল্লবা ফর্ষ্ট দিভিজনদা লাকপা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। মসি ওজাশিংনা থৱাই হকচাং য়াওনা কথোক্তুনা মহৈ-মশিন তম্বীখিবগী মহয়নি। ওজাশিং অমদি পেরেন্টশিংনা ৱাখল হন্থবা তৌদনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা অফবা মহৈরোয় মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা তুংগী অফবা মীরোল শেমগৎনবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি।

ঙসি থৌরম পাঙথোক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখিবা মহৈরোয়শিং অদুদি, সবজেক্ট তরুক্তা লেট্টর মার্ক ফঙখিবী হাওবিজম অনিতা, সবজেক্ট অহুমদা লেট্টর মার্ক ফঙখিবী নীংশিংলৈমা ওইনাম, নিংঙোল লৈস্না খাঙেনবম অমদি সবজেক্ট অমদা লেট্টর মার্ক ফঙখিবা ৱাংখৈমযুম ওনিলকুমার লোয়ননা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখিবা মহৈরোয় মঙা য়াওরি।

## চুড়াচান্দপুরদা বনমহোটসব ৱিক্কী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র (কে ভি কে) চুড়াচান্দপুর, আই সী এ আর রিছর্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী চথুরকখিবা বনমহোটসব ৱিক্কী থৌরম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

কে ভি কে চুড়াচান্দপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চুড়াচান্দপুরদা থা অসিগী ১ দগী চথুরকখিবা বনমহোটসবকা মরী লৈননা কে ভি কে চুড়াচান্দপুর অমদি লমদম অদোমগী মীয়ামগা লোয়ননা উ চারা ১০০০ রোম থাখি। বনমহোটসব ৱিক লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী সেনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. নিরঞ্জন লালনা হায়খি, উ থাবগী মরুওইবশিং খঙবা তঙায়ফদে। তুংগী মীরোলগী খল্লগা ঐখোয়না উ চারাশিং থাজিনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী এস এম এস হোর্টিকলচর ডা. আর কে রোসন্না হায়খি, উপাল ৱাপালনা মীওইবনা হিংবদা তঙায়ফদনা চঙবা পোৎলম অদু পীরিবনি। উমং কোকশিল্লকপা হায়বসি য়াম্না অরুবা ইস্যু অমনি। উ চারা থাবদা থেংবা লৈতে। মহৈরোয়শিং অমদি নহাশিংনা ঙসিদগী উ চারাশিং থাবা হৌরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফার্ম মেনেজর এল বাসিলনা মতৌ করম্না উ চারা থাগদগে হায়বগী মতাংদা মহৈরোয়শিংদা দেম্নোস্ট্রেসন তৌদুনা তাকখি। তুংদা কন্নেক্তিং পীপল টু নেচর হায়বা থিমদা স্কুল মহৈরোয়শিংগী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। স্কুল ৮ দগী মহৈরোয় ২২ রোমনা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখি। লোয়শিনবগী থৌরমদা কে ভি কেগী ষ্টাফ অমদি লৌমীশিং লোয়ননা মহৈরোয়শিং য়াওনা রেল্লি অমসু চৎখি হায়নসু মখা তারি।

অমরোমদা, ইষ্টর্ন ফোরেষ্ট দিভিজন উখ্রুলনা বনমহোটসব থৌরমগা মরী লৈননা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রম্ভা অমদি মোরি ভিলেজ ন্যু কেননদা উ চারা কয়া থাখ্রে।

মরকসিদা, বনমহোটসব ৱিক লোয়শিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ওমভা নুরাথেল গার্দেনদা মোইরাংগী এম এল এ, এস দি পি ও, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেয়রপর্সন, বিষ্ণুপুর অমদি মোইরাংগী ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা উ চারা থাখি। বনমহোটসবকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনগী মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

মোইরাং সেন্দ্রা এন্দ সরাউন্দিং অফটর ২০ ইয়ার্স হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তাথ্রবশিংদি, ক্লাস ফোরদগী সিক্স ফাওবগী কেটগোরি এদা অহানবা পোজিসনদা সেন্ট জেভিয়র স্কুলগী শ্রীদান, অনীশুবা পোজিসনদা এল সী এম হায়স্কুলগী পিঐচ প্রিন্সি, অহুমশুবদা লিট্টল বার্দ স্কুলগী কৈশাম তেনিসননি।

কেটগোরি বিগী ওইনা অহানবা পোজিসনদা লিট্টল বার্দ স্কুলগী ওইনাম সুরজ, অনীশুবা পোজিসনদা সেন্ট জেভিয়র হায়স্কুলগী এম রেনিট অমদি লিট্টল বার্দ স্কুলগী হেমাম জোন্সননি।


# CAS Medical

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**Registration is going on**

**REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET(U.G.)-2018**

**Special Features:-**

- Free Studentship for Toppers in BOSEM & COHSEM
- Study Material from Enrichment New Delhi
- Special Concession for CASIAN

**Some Seats are Lying Vacant, First Come First Serve**

**Class Commencing from :- 6th July, 2017**

For Details Please Contact:-

CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction (Office Hour -5.00 am - 7.30 pm)
& New Building, Opposite Keishampat C.C. Pur Parking(Office Hour:10.30am - 3.30 pm)

Separate Hostels for BOYS and GIRLS Available.

HL-B/3971/28-30Jn&29Jy


## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুং অমসুং সলাই মপারি শীংপুল লুপনা পুন্না শীন্দুনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা ত্রেদিস্নেল দ্রেসেস এন্দ কোষ্টুমস ওফ কংলৈপাক কোষ্ট্যুমস হায়বা হীরম অসিদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মীৎয়েং মখাদা ফুরুপ অমগী শক্তম্বু মশক তাক্নবা নাৎকী ওইবা ফিজোল কয়া অমবু শেমদোক শাদোক, তৌবা য়াবা অমদি য়াদবা হায়বা অসিগী মতাংদা খন্ন নৈনবা অমদি খঙমিন্নবগী মরমদা খন্ন নৈনগনি হায়রি।

## এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭: সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এল প্রেমজিৎতা এ বি পি ন্যুজনা নেসনল এদ্যুকেসন এৱার্দ ২০১৭ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লে হায়না সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লিদরশিপ, দিভলপমেন্ট, মার্কেটিংনচিংবগী লমদা মহাক্না তৌখিবা থবকশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা এৱার্দ ফোর আউটষ্টেন্দিং কন্ত্রিব্যুসন টু এদ্যুকেসনগী মনা অসি থা অসিগী ৬ তা হোটেল তাজ লেন্দ স্লাইদ, মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নরকখিবনি হায়রি।

## কম্যুনিটি পোলিসিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : নোংপোক সেকমাইদা কম্যুনিটি পোলিসিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস দি পি ও য়াইরিপোক অব্দুল সমদ, নোংপোক সেকমাই পি এসকী ও সী ব্রাদোন কিলোঙ, কাউন্সিল্লর কয়া অমদি ক্লবকী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অদুদা কম্যুনিটি পোলিসিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা এস দি পি ও য়াইরিপোক্লা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। লোয়ননা কমদৌনা সোল্যুসন পুরক্কদগে হায়বগী মতাংদসু খঙহনখি।


ফংবিরগনি ꯐꯪꯕꯤꯔꯒꯅꯤ ফংবিরগনি

# অফবা মখলগী ঙা মচিঞ্জাক ফংবিরগনি

মণিপুরদা লৈরিবা ঙাগী ফার্ম তৌদুনা লমদম অসিগী ঙাগী পোথোক হেন্না পুথোক্নবা হোৎনরিবা ঙামীশিংনা শেল ইচং-চংদনা অফবা মখলগী ঙাগী মচিঞ্জাক পীজদুনা শেন্দোং লৈনা ঙা য়োক্নবগীদমক মচিঞ্জাক্কীদমক থোইনা অৱাবা লৈবীরগনু -

১। ঙাবু মশা-মউ ফনা য়োক্নবা অমদি য়াম্না থুনা চাউনবা অমসুং শেন্দোং লৈনা য়োক্নবগীদমক অফবা মখলগী ঙা মচিঞ্জাক পীজবা য়াম্না দরকার ওই।

২। ঙানা পীশক পীক্লিঙৈদগী চাউরকপা ফাওবদা তাঙ্কক-তাঙ্কক নাইনা পীজগদবা, অরুপ্পা মখলগী ঙা মচিঞ্জাক অমসুং অতাওবা মখলগী ঙা মচিঞ্জাকশিং ফংলগনি। ঙানা মপুং-মরৈ ফানা চাউরকপদা ঙাগী দরকার লৈবা প্রোটিনগী শরুক চাদা ২০ দগী চাদা ৩৫ ফাওবা য়াওরবা মমিং লৈরবা জপানগী নিপ্পো কম্পেনিগা খুৎশম্নরগা কোলকট্টাদা বেজ তৌবা নিপ্পাই শালিমার ফীদস প্রাইভেট লিমিটেদনা ইন্টরনেসনল লেভেলদা পুথোকপা **'নিপ্পাই শালিমার ফীদ'** হায়রিবা ঙাগী মচিঞ্জাক অসি ঙা অমদা কেজি ১ গ্রাম ২০০ (কেজি ১.২০) পীজবদা ঙাদুগী অরুম্বা অসি কেজি অমা য়াম্না লায়না ফংবা ঙম্মী।

৩। **নিপ্পাই শালিমার ফীদ** হায়রিবা মখলগী মচিঞ্জাক অসি ঙা য়োকপগী লমদা মমিং লৈরবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা হিয়াংথাংদা লৈবা পেঙবা ফার্মদা চহী অমা চূপ্পা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা খ্বাইদগী ফরবা লমদম অসিগা চানবা মচিঞ্জাকনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। ঙা মখল খূদিংদা পীজবা য়ারবা মচিঞ্জাক মখল অসিগী কান্নবা মণিপুরদা ঙা য়োক্লিবা লৌমীশিংনা কান্নবা লৌবীয়ু। ঙাদা পীজবদা শোয়দনা কান্নবা ফংলগদবা ঙা মচিঞ্জাক্লি।

নিপ্পাই শালিমার ফীদ অসিবু শীজিন্নবা পাম্বীবা ঙা য়োক্লিবা লৌমীশিংনা মখাদা পীজরিবা এদ্রেসশিং অসিদগী লৌবীবা য়াগনি।

১। **পেঙবা ফার্ম হিয়াংথাং।**
মোবাইল নম্বর-৯৮৫৬০৮৯০৩৬, ৯৮৫৬২০০৭৫৬, ৮০১৪০২৫৮৯১

২। **লক্ষ্মী থোংখোং বজারগী বিক্রমগী দুকান।**
মোবাইল নম্বর - ৯৮৫৬১৬৮২৭২

৩। **থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ ওজা নরালগী দুকান।**
মোবাইল নম্বর - ৯৮৫৬২৭২৪৭২

৪। **কৈরেনফাবী ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ওইনাম রবিগী য়ুম।**
মোবাইল নম্বর - ৯৮৫৬৫৭৩৬৯৯


৫। **ওইনাম বজারদা লৈবা দোক্টর (হেল্‌ঠ সেন্টর) মনাক্তা লৈবা ওইনাম হেরোজিৎকী য়ুম।**
মোবাইল নম্বর - ৯০৮৯৬৩৫৩০৬

৬। **য়ুরেম্বম ময়ায় লৈকায়, উয়ুং মখোঙদা লৈবা চিংখৈময়ুম ব্রোজেনগী য়ুম।**
মোবাইল নম্বর - ৮৪১৫০৭৬০৪৩, ৭০০৫৫২৪৬১৪

পাউজেঞ্জরিবা :
**সোইবম সুরচন্দ্র সিংহ**
নেসনল এন্দ ষ্টেট এৱার্দি ইন পিসিকলচর,
পেঙবা ফার্ম হিয়াংথাং।

HL-P/2019/8,10,12&14






**থোরক্লো অমসুং নহাক্কী রিটর্ন ফাইল তৌ জুলাই ৩১, ২০১৭ তা নৎত্রগা মমাংদা (শেনবা চহী ২০১৬-১৭ কী)**

**কনানা ফাইল তৌগনি?**

- অপুনবা গ্রোস ইনকম টেক্স থীগদবা পনখৈদগী হেনবা মীওই খুদিংমক্না ইনকম টেক্স রিটর্ন (আই টি আর) ফাইল তৌগদবনি

**কনানা ঈ-ফাইল তৌগনি?**

- অপুনবা ইনকম লুপা লাক্ষ ৫ হেনবা নৎত্রগা রিটর্নদা রিফন্দ ক্লেম তৌবা (চহী ৮০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা ফোর্ম নম্বর আই টি আর-১ নৎতগা আই টি আর-২ দা রিটর্ন থাগৎপা মীওইশিং য়াওরোই) ঐচ য়ু এফ অমসুং ইন্দিভিজ্যুঅলশিং
- ফোরন এসেট/ইনকম লৈবা নৎত্রগা ফোরন টেক্স রিলিফ ক্লেম তৌবা নোট ওর্দিনেরিলি রেজিদেন্ট নৎতবা রেজিদেন্ট অমা ওইবা ঐচ য়ু এফ নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুঅল
- ফোর্ম নম্বর ৩, ৪, ৫ নৎত্রগা ৭ তা আই টি আর ফাইল তৌবা মীওইশিং
- রিটর্ন এন্দ ইনকম ঈ-ফাইলিং তৌনবগীদমক https://incometaxindiaefiling.gov.in দা লোগ ওন তৌ
- ইলেক্ট্রোনিক ভেরিফিকেসন কোদ (ঈ ভি সী) খল্লবা মতুংদা নহাক্কী ঈ-ফাইল তৌখিবা রিটর্ন ভেলিদেট তৌ

**করম্বা মতমদা ফাইল তৌগনি?**

- ওদিট তৌবা চঙলোইদবা মীওইশিংনা ৩১.০৭.২০১৭ তা নৎত্রগা মসিগী মমাংদা মখোয়গী ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌগদবনি

মরুওইবা : নহাক্কী রিটর্ন ফাইল তৌদ্রিঙৈদা ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা নহাক্কী সেল্ফ এসেসমেন্ট টেক্স পীয়ু

www.incometaxindia.gov.in
www.cleanmoney.gov.in

INCOME TAX DEPARTMENT
Income Tax Department
Central Board of Direct Taxes
Follow us on Twitter@IncomeTaxIndia

davp 15401/13/0047/1718

আই টি আরদা তাং ০৯.১১.২০১৬ তগী ৩০.১২.২০১৬ ফাওবগী মনুংদা এগ্রিগেটতা লুপা লাক্ষ ২ নৎত্রগা হেন্না বেঙ্ক একাউন্টশিংদা কেস দিপোজিট তৌখিবগী ইনফোর্মেসন পীবা নীংশিংউ